

"ঐখোয়দি মীওইবনি, মীৎনা উরগা,
নাকোংনা তারগদা খঙবা।"

- আর কে বিদুর
(ৱাখল মচু মচু, শক্তম মখল মখল)

# শৈরেং

## শিবা নাইদবা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অইবা মাগী থম্মোয়দা
ফাওরকখিবা চরিত্রশিংদো
অশেঙবা থৱায় পানবা
ওইনা উরি ইমঙদা।
ৱাখলগী ইপোমলক্তা
তাওরদুনা লৈরম্বা চরিত্রশিং
অমমমতা ওইনা থোরক্লে
লোৎতুনা লৈরম্বা কয়া অদো।
ইনাক্তা লাক্তুনা,
ইফোং ফোংনা লেপ্পরে
অহিংবা থৱায় পানবা
অমগুম নোক্লা খেনা।
কপ্লিবরা, নোক্লিবরা
ৱাহং কয়া হংলি
অইবদা ফাওরকখিবা
চরিত্রশিংদো
অহিংবা থৱায় ওইনা।

## থিংলসি নীংখাইরিবা পল

**—তাওরেম সুনিতিবলা**

চোইজাইননা তাখ্রে
সনা মচু মাল্লবা
সনা লিকফাংশিং
মাঙখ্রেনে লিক্লু পরেংশিং
অতৎ-অখম লৈতনা
চেন্থরকপা হুমাং ইরিকশিংনা
ঈগী ঈরম নাইনা
চেল্লক্লে, লুপখ্রেনে ঈরোলনুংদা;
মরোল মরোল নাইনা।
চহী চা কয়া কয়া
য়েংলি মমিৎ অনীদুনা পেন্না পেন্না
অঙাংবা মচুগী ঈচেলসে
থুনা য়াঙনা, থুনা য়াঙনা
থিংবা ঙল্লরোইদরা?
নীংখাইদুনা চেন্থরক্লিবা পলসিবু
নীংখাইদুনা চেন্থরক্লিবা পলসিবু।
খুনবা ঙল্লরোইদরা?
অমমমতা ওইনা
মাঙখ্রবা লিক্লুশিংদো
খুনবীনবসু লৈত্রবা
উবীনবসু লৈত্রবা, তাবীনবসু লৈত্রবা
ইমাগী তম্পাকথকসিদা
ওন্না থোইনা খাংলি
থরো থরো লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈ
হায়ফম তৌফম খঙদনা
ইরোই লুৱাওবগুম্না
মৈতালনা ৱাখৈবা মতম ঙাইদুনা
হিংনবগী লানফমদা
থেংনরি অৱাবা কয়া
ঈহিং-নাহিং তারবা খূৎ অনী
খোঙ অনীসিনা
অতৈ হকচাং কয়াৎশিংসু য়াওরি।
খৌরাংলক্লবা মতমদা
থক্লীং-থক্লীংদনা থক্লি ঈখেংদু
লাল্লবা মতমদনা
চারি ফরং ফরং লাওরবা
চেঙ অয়েনবা ! সুপর-ফাইন
চেঙ অয়েনবা ! সুপর-ফাইন
য়োৎশিল্লি খৌনাও চরম ফুন্না-ফুন্না
করমনো লমদমসি।
করমনো লমদমসি।
নীংখাইরবা পলসিবু
থিংসি ঐখোয়না
মাঙখ্রবা লিকফাং কয়াসু
খুনগৎসি ঐখোয়না
অমমমতা ওইনা
থাংজিনসি খোঙথাং।
খূৎ তুংবুননা লৈরোইসি
ঐখোয় অমত্তা ওইবা লীচিংনা
খোল্লাউনা থৌনা ফনা মায়োক্লদুনা
শেন্নসি অশংবা লৌবুক
মহৈ মরোং চুল্লবা
সনা মচুগী ফৌ পালহল্লসি
মতম চূপ্পদা, মতম চূপ্পদা
হোৎনরগা ঙমদবা
লৈরোই মালেমসিদা
হোৎনরগা ঙমদবা
লৈরোই মালেমসিদা।

## দি জ্বেল ওফ ইন্দিয়া

**—রেবতি শর্ম্মা**

খুঙ্গংগী অচিকপা উখোং অমদা
ফল্লম্মী ঐ মী অমা ঙাইবগী।
উরকখি পাল্লবা লৌবুকশিং
লৌবুকশিং অদুগী মরক্তা
উ-ৱাগী মোংশোং খরসু
অনকপদগী অরাপ্পদা তাম্না উই।
মখল মথেলগী অনৌবা দিজাইনগী
ইলেক্ট্রিক খুতিশিং তাম্না মউরি।
তাল্লপ্না উরিবা খুঙ্গংদু
উ-ৱানা পুমশং শংলি
অদুবু তাম্না উরিবা
মৰু কোল্লবা চীংদুমশিং অদুদি
উ-ৱা অমত্তা হৌদনা
অদুম উরি তাম্না তাম্না।
তশেংনমক মণিপুর লৈবাক্তা
চীংদা নত্তনা তমদসু
মহৌশাগী ফজবা অদুম মরৈরি।
উচেক ৱায়াশিংসু লৌবুক্তা অদুম
পাইরি অমসুং চাক্তারি
তৌবতদি ঈশিং খোংদি মতাঙলি।
মফম কয়াদা মণিপুরগী খুঙ্গংশিংগী
অদুম লৈরি মহৌশাগী ফজবা।
মণিপুর ইমাগী শক্তমসে
পুমওন ওনবদি নৎত্রি।
মীয়াম্না, লৈঙাক্লা কন্না হোৎনরবদি
মণিপুর সনা লৈবাক
অদুমক ওইখিনি ইরমদম
দি জ্বেল ওফ ইন্দিয়া।

## অহাঙবদুনি পুন্সি

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারি**

করিনো পুন্সিগী ৱাহন্থোক?
খোঙদারকপদা মালেমদা অঙাং অমনা
হোল্লি নুংশা শ্বরদি
লৈতে মাগী মমিংদি।
শিবা মতমদা মহাক্লা
লৈত্রে মাগী নুংশা শ্বরদি
লৈহৌরে মাগী মমিংদি।
মীংগা নুংশা শ্বরগগী
লাপ্পরিবা অহাঙবদুনি পুন্সি।
ৱাহং অমনি পুন্সিসে
পাউখুম পীবা ঙমদ্রবা কনানসু।
পাউখুম অমনি শিবা হায়বসে
ৱাহং হংবা ঙমদ্রবা কনানসু।
নুংঙাইনা লেল্লু ৱাহংসিদা
ফংদ্রিফাও পাউখুমদু।

## সংস্কারগী মৈরীলক্তুদা

**—রাজকুমারি মীনা**

মোংফমথক্কী মৈরীলক্তুদা
পুন্সি পন্থুং ফংলবা থৱায় অমা
নীংঙাইদনা তূল্লি
মোংফমথক্কী মৈরীলক্তুদা
মৈরীতনা চাকথেক্তুনা
কাথেল্লবা মায়থোঙদুনা
উৎলম্মী শক্তম অমা
খাঙমদ্রবা চৈফুগী
অৱাবা অৱাবা
উৎলম্মী মানা লৈজবী থৌনা
পীরম্মী মানা মায়থীবা
অঙম্বশিংদুগী মথক্তা
মোংফমথক্কী মৈরীলক্তুদা।

## ঈথক-ঈপোম

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

ঙরাংদনি
ইবগী চাংয়েং লোইখিবা।
ঙসিদি
খোইরেল মসা পান্নরে
মন্ত্রিগী লৈকোলদা পাইশিল্লুদরা
সেক্রেটরিগী উশাদা নপ্লুদরা
দাইরেক্টরগী লৈকাদা তোংলুদরা
পূল্লাঙ! পূমথক! পূমনিল!
ঈশিং ঈচাও থোকপসি ঙাইখরে।
পান্নখ্রেদা! খোয়দানখ্রেদা!
লৈবগী থৌওংসি।
লৈনদ্রবসু লেম্না লৌবা য়াব্রা
য়েংনরদি ফগদবা
ঈথক-ঈপোমসিদা
সোমদদি
সনা থৎনরে
শেঙ্গাও লাক্লরে।

## ঐগী মীয়াম

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

ঐগী মীয়াম!
মবুক তপ্পা
পুকচেল চাউবা
হায়রি'খৈ ইনবা
ঐগী মীয়াম।
ঐগী য়াকা
ঐগী পুঙলোন
ঐগী খোঙচৎ
লোইনমক মখোয়সুনি।
অদুননি
ঐনা অঙম্বা ওইরিবা।
ঐবু ইকায়খুম্নরিবা।
ঐগী মীয়ামদি!
একাগাড়ীগী মনীং
চক্কানি
ঐবু শেন্নবিরিবা।
ঐগী মীয়াম!
মবুক তপ্পা
পুকচেল শেংবা
ঐনা তৌরি'খৈ য়াবা
ঐগী মীয়াম!!

## ঐ শাওনীংলকইকো

**—খাইদেম বোরসিংহ**

নখূৎ থবৎ ককথৎলদি
নখোঙ থাংবা য়ারোইদো...!
ননা হুৎ লৈথৎলদি
করিসু শায়বা য়ারোইদো
তুমিন লৈয়ু তুমিন লৈয়ু
হায়রেদনা...।
নঙোন্দা তোনবা পৈশা কয়ানো
ঐ শিংজরগে
নঙোন্দা ফূনগে হৌরকপা
অদুনা কনা
ঐ পূম্নমক পানরগে
ঐ পূম্নমক শিঙনজরগে
য়ারদরা?
খুন্নাইদা ৱা ৱা লাউবা
লৈকায়দা ৰু ৰু কপ্পবা
থবক লৈতবগী ৱা
ইথৌ তৌবিয়ু, অতৈ তৌবিনু।

# লাঞ্জদবশিং

## (The Innocents)

**- পেদ্রো জুআন সোটো**

- "লৈচিল মথক্কী নুমিৎ অসে কানিংই, খুনুশিংগী মসাদা তোংদুনা, শগোল য়াওদনা, নুপীসু য়াওদনা, অদু ওইরদি মখোয়না কোঙৌগী টিন ময়াম মৈ থাবগী মনম নল্লরোই, ঐবু লক্লবা মীশিংসু লৈররোই।"

থোঙনাওদা ফল্লদুনা, রেদি মেদ সুট চাদবা অমা শেৎলদুনা, মহাক্তু য়েংলি খুনু ময়াম্না সাইজিন মখাদা লৈরক লান্না পাইবদু।

- "নৎত্রগা থোঙ লোইনা, থোঙনাও লোইনা হাংদোকপা তাই পাইখিবা য়ানবা।"

ৱাহৈশিংসি হায়না হায়না মহাক্লা মখূৎ তিংথোক্তুনা মসা খপ্পা মান্না মফৈদা ফূরি অদুগা খুনু মখোল মান্না মচিন্না খোংলি, তাঞ্জাদুদা তুংলোমদগী মাবু কৌরকপা তায়:

- "ইবুংঙো! বেবী!

কৌরক্লিবদুনা মউন খুইরবা মমানি, তুংলোমদা টেবল অমগী মনাক্তা চৌক্রিদা ফল্লি, মচাদুনা তৌরিবা মওংদু কুম্মৈগুম য়েংলি, চৌক্রি মনুংদুদা কূল্লদুনা মবুক লাল্লবা, থওইবিদ্রবা হৌদোং অমগুম। টেবল অদুগী মখাদনা পিত্তক তৌবা সুট কেস অমা লৈরি, থৌরিনা মদুগী অমতা ঙায়রবা শো অদু পুল্লদুনা।

- 'ইমা' অঙাংদুনা খুমলকই।'

মমাদুনা চৌক্রিদু খুনিংনা ইন্থোক্লগা হৌগৎখ্রে, অদুগা কপবোর্দ অদুদগী তল মচেৎ অমা চেঙ হাপ্পা উপু মথক্তা লৈরিবদু লৌরক্লগা মচাদুদা পীররি। মচাদুদি হান্নগুম মখূৎ খপুনা খুনু মতৌগুম পাইরি, খোংলি খুনুগুম। লাউরি :

- "ঐ খুনু ওন্নিংঙি।"

- "লাঙগনু পিপে!" মমানা হায়খি,

মাদি মমানা হায়বদু তাশিন্নদনা তল মচেৎ অদু থোঙনাওদা ফমদুনা শেৎতুনা চারি।

- "লাঙগনুকো, বেবী!

মখোয়গী থোঙনাও মখাদা দুকান্দুগী মমাঙদা ডোমিনোস মশান্না শান্নরিবা মীশিংদুনা য়েংখৎলকই।

অঙাংদুসু লাঙবদু, মরোল লোনবদু চপ লেপ্পী ৱাহৈ খরসি হায়রগা : "ঐবু লক্লগাদবা মীশিংসু লৈতবা লমদুদা।" ৱাহৈশিংসি লোল্লুরগা মখা তারকই : "কনানো অমতা ঐবু কৈথেলদা পুবিরদি।"

- "হোয়, হোয়, হোর্টেন্সিয়া লাক্লে নঙবু পুনবা।" মমানা খুল্লকই।

- "কৈথেলদরা?"

- "অদুদি নত্তে, নত্তে, কৈথেলদি মীনা লৌখ্রে। কৈথেল পাইখ্রে। অঙাংদু মচিন পেথোকই। খুনুশিংনা পাইরিবদু অমুক মখোল তারি মনা থাঙ্গৎতুনা।

- "নত্তে, নত্তে, খুনুনা কৈথেলদু চেনখিবা নত্তে, ফত্তবা লাই অমনা চেনখিবনি।

- 'ওহ!'

- 'অদুনা নঙনা ইপা লাইবু খুরুমজৌ, কৈথেলদু অমুক পুবিরক্লবা।

- "ইপা লাই" মাসু শোনবা হৌই মপান্দা য়েংলদুনা, "নঙনা কৈথেলদু পুবিরকউ।"

- "নত্তে, নত্তে, অদুম্না নচিন্না শোনগদবা নত্তে," মমাদুনা হায়, "খুকউ খুদক কুম্থরগা নপূক্লিংনা ইপা লাইবু নীংগদবনি।"

অঙাংদু থোঙনাও ময়াদা খুকউ খুদক কুম্থখ্রে, মখূৎ লোন্নখ্রে, অদুগা লাই নীংবগী মওংদা য়ূমথক লান্না য়েংথোকখিরম্মী:

- "ঐ খুনু ওন্নিংঙি।"

মমাদুসু মখাদা য়েংথখি, থাংজগী অয়ূক ওইবনা মীশিংনা তন্না সড়ক্তা চৎলিবশিংদু উখি, নুপীশিংনা কৈথেল অকা-অকুম থুনা থুনা চৎনরিবদুসু।

অদুদগী মমাদু তপ্পা, মথ্বায় ৱানা, চপ লেপখৎতুনা, মকোক্তা পোৎলুম অমা পুবগুম চঙলকই মচানুপী লৈরিবা কা অদোমদা। মচা নুপীদু মিংশেল মাঙদা থান্দুনা হান্না ফারম্বা মশমগী শম্ফাবীশিংদু অমমমতা লৌথোক্লগা ড্রেসিং টেবলদুগী মথক্তা থল্লি। মকে শেল্লি।

- "অঙাংসি ঙসি পুখ্রনু, হোর্টেন্সিআ!"

মচানুপীদুসু মমায়দি লৈথোক্লক্তনা চেপ্না মমিৎ নাকচেপ্তা মমাদা য়েংলকই অদুগা খুল্লকই :

- "অদুম্না অমুক তৌরকঅনু, ইমা! আদা মঙোন্দা কনানসু কৈসু তৌরোই। মখোয়নদুম মাবু ফজনা লোয়নবিদৌরিনি। মদুদা ঐখোয়না পৈশা তিংলুদৌ নত্তে।"

ঙাঙনা ঙাঙনা মাগী পিন লৌথোক্লবা মশমশিংদু নান্থরি, মশমশিংদুনা তুংয়ান্দা চাইথরি, ইখোই খোইরদুনা।

- "অদো ঐনা হেন্না খঙই, মাবু কমদৌনা লোয়নদৌগে হায়দু। মহাক ঐগী ইচানি, ঐঙোন্দগী হেন্না কনানা খঙদৌরিনো?" মমানা মখা তারকই।

হোর্টেন্সিআসু মিংশেলদা তারক্লিবা ময়াং কংলবা মমাগী মমি অদু য়েংলি, অদুগা খুল্লকই :

- "অদো নঙ অহল ওইরে, ইমা!'

উনশাদনা কূপ্লবা খূৎ অমা মিংশেলদা উরি, মদু মমাগীনি। মমানা অমুক খুল্লকই :

- "অদো ঐ শিদি শিদ্রিদনা। ঐ ইচাবু শেন্নবা ঙমখিনি।"

- "অদুগী ৱা নত্তে, ইমা!"

ঙাঙনা ঙাঙনা মশম অখোইবদু হাৎথৈ, অদুবু ফনা হাৎলসু অদুম খোইগৎলি।

- "পিপেসি লাঞ্জদ্রিবনি, কৈসু খঙজদ্রিবনি।" মমানা মখা তারকই। মাগী ৱাহৈশিংদুনা অৱাবগী সমুদ্র অমা ঈশিংনা থনগৎলকপগুমখি। মখা অমুক তারকই : "মহাক অঙাং মচানি।"

হোর্টেন্সিআ শমচেৎ থাদৈ, মাগী বেগ অদুদগী কাজলগী পেন্সিল অমা অমুক লৌরগা মাগী চরা চরা হৌরিবা পিশুমদু য়েকপা হৌরকই। মানা হায় মমাদা, মমায় লৈশিল্লক্তনা মিংশেলদা য়েংলগা : - "অদো নঙনা লায়েংবদি ঙল্লোই। মদু ইমাসু খঙলিবনি, অদুনা খ্বাইদগী ফগদবসি মাবু ...।"

- "অদো ঐখোয়গী পুএরটৌ রিকো অসিদদি য়াররোইদ্রা য়েংবা?"

- "ঐখোয়গী পুএরটৌ রিকো অসিগা খেন্নবা লৈ।" মচানুপী হোর্টেন্সিআনা লেংবান লান্না চেপ্না য়েংলগা খুল্লকই, "সিদদি মী পূম্বনা মাবু খঙই, মাবু খঙবা ঙাক্তনিনা মহাক হেক্তা থোকখিনি। অদুগা নিউ য়োর্ক্তদি মী অমনা অমা য়েংনবা নত্তে, য়ূমলোন্নবা ফাওবা খঙনবা নত্তে, পুন্সি মহীং খেন্নে। আদদি হিংবা য়াম্না লুই। চহী কয়ানি ঐসু আদা কোল তূবগী শিনফম পায়রিবদু। হৌজিক ফাওবা লুহোংবা ঙমদ্রিবসিনি।"

অসি হায়না হায়না মানা লিপষ্টিক মচৈদু লামখি। মদুদা মমাগী মায়থোঙনা মিংশেলদা শুরুপ থীনা তারকপা মমিদু উখি। মানা ৱাদু মখা তাখি :

- "অদুগী ৱাদসু নত্তে, মফমদুদা হোস্পিটালদুদা মাবু ওন্থোক্লা চেকশিন্না লায়েংবিদৌরিনি।"

- "হোয়নে, অদুবুদি নঙনা হায়খ্রে।" মমাসু শোন্থাংননা খুল্লকই।

হোর্টেন্সিআদু মেক-অপ লোইশিনখ্রে, শমচেৎতু মাগী বেগতা অমুক হাপচিনখ্রে অদুগা বেগতু চেন চিংশিনখ্রে। অদুগা মমারোমদা মমায় লৈশিল্লক্লে - ফজরদনা, অপাবা ব্লাউজ নে, অরংবা কারবা মচিনবান্নে, মুশিলহল্লবা পিশুমনে, খোইতক তৌবা শমদু ফজনা নপ্পা হাৎপনে, য়েংবদা নুংঙাইরে।

- "মফমসিদা চহী অমা য়েংলে, অদুনা ঐখোয় খরা ফৰা অমা খন্নবা তাবনি।"

- "মাগী মরালদি নৎতবনি, মানা তৌরিসি ঐখোয়দা।"

- "অদো ফৰক্তদ্রা সুম সিদা লৈরগা, খল্লু ইমাসু।"

হায়না হায়না মানা মমাদা শৎ চঙশিল্লি, মপান্থোমদু পায়, ফুরিৎ খুদাংদু তাখৎলকই। অদুদা উরে পান্থোম মথকৱাইদা নাপু কারবা অপোম্বা অমা লৈবদু। মদু য়েংলগা মমাদা অমুক হায় :

- "য়েংঙু, মহাক নঙোন্দা খূৎ থারবনি। অদুনা ঐ আদা ফেক্টরি অদুদা লৈবা ঙমদে, নঙোন্দা করি থোক্লমগদৌনো খনবদা, হান্নসু অসুম্না নঙবু শোকহল্লবনিনা...।

- "মানা তৌগে তৌবা নত্তেদা," মমানা খুম্মকই, মাগী ফুরিৎ খুদাংদু চিংথদুনা অমদি লৈখাদা মমিৎতু য়েংনা য়েংনা হোর্টেন্সিআগী মখূৎতগী মাগী খুদাংদু নান্থোক্লবা হোৎনৈ।

- "করি হায়বা, মানা তৌগে তৌবা নত্তে হায়বা? মখূৎ অমনা নখৌরি মেৎলদুবু। ঐনা লিক্লিন্দুবু মুল্লমদ্রদি করি থোক্লমগনি, মদু ঈশ্বরদনা খঙলমগনি। কান্নদে, মাবু মায়োক্লনবা ঐখোয়গী নুপা অমত্তা লৈজদে। ঐদি পূম্মাং মাঙজরে, নঙ শোক্লবদি মখূৎতা।"

- "মাসে অঙাংনিদা!" মমাদুনা থেমজিল্লি, মখোলদি শোল্লপ, থরোই মঙক চিংশিনখিবগুম খোনদু থনুংদা য়োৎখি। হোর্টিন্সিআদু উপাই লৈতনা মমিৎ তঙ্খায় উইশিনখি। অদুগা মখা তারকই :

- "অদুম্না অমুক তৌরনু, ইমা! ঐদি নহানি, ঐগী পুন্সি অমা মাঙদা তারি। অদো মাগীদি লৈত্রে। নঙসু চোকথরে। অদুনা মহাক্লা মফম অসিদা ননাক্তা লৈত্রবদি নঙসু খরা কোল্লনি - নঙগী লেমহৌরিবা পুন্সিদা। অদুদবু নঙনা হায়বা ঙমজদে, মাগা লৈমিন্নবসি কিরে হায়না, মদু লাল্লি। ঐনা হায়রিবসি নঙগীদমকনি, নঙ ৱারে, ইমা! অদুনবু নঙনসু য়াদুনা চেদু সহি তৌখ্রবদুনি, মফমদুদা মাবু মখোয়না লুনা তৌবিনি খনবনা। মহাক লৈত্রদি নহাক ফমদুনা মতম লেনবা য়ারে, সড়ক্তা অচৎ-অওক য়েংদুনা। নঙনা পামলগনা হৌগৎলগা নঙসু মীদৌনা ৱাকিং চৎলুবা য়াই। অদুদি তৌদ্রদুনা নঙনা থবকসি ক্রাইম অমগুম খল্লি, অদুগা ঐবুনা ক্রাইমদুগী মপু। নঙনা কখোল্লবা মমা। কখোল্লবা মমা অমা ওইনা নহাক য়াদবা তৌবীগনু থবকসি। নহাক্লা নশাগীসু, নচা ঐগীসু খনবীয়ু। পূম্নমকসি মাবু চহী তরাদা ঙায়রিঙৌদা শগোলদুনা থাধবীরমদুনা ওইখ্রিবনি...।"

মমাদু ৱা মখা তাঙমদ্রে, থোকখ্রে থুনমক কাদুদগী। মাবু হেক লাক্তুনা ইন্থোক্লকপগুম, কাদুনা মাবু হেক কামথোক্লকপগুম য়াঙনা চৎখ্রে। অদুবু মচানুপী, হোর্টিন্সিআনদি ঙাঙহৌরি :

- "মানা ভাব মেন তাদনা, লৈরক্লিবসি চহী ২০ অমগসু ফাখ্রবনিকো।"

মহাক্লা চৎখ্রিবা মমাদু য়েংদুনা লৈহৌই, ইন্নদ্রে, ড্রেসিং টেবলদা নোন্থরগা লৈখ্রে, মহাক উপাক মথক্তুদা খুতুম্না শুরদুনা লাউরমদৌ খজিক্তা ঙায় অসুম্না-:

- "অসুক কুইবসি মাগা লোয়নদুনা ঐখোয় লৈরক্লবনিকো।" অদুবু মানা মিংশেলদা য়েংখিবদা উরকই, মচিং মশোন নাইবা মানবা, ধর্ম্ম কুম্মৈ মমাঙদা উপ্পা মায়খুম মানবা মায় অদু। মদু মাগী মায়নি।

অসোমদনা অঙাংদু লাউরি, "নুমিৎতদি উচেক মকোল লৈরল্লোই, হূইসু লৈরল্লোই, কাংশিসু তাররোই। তুরেলসু লৈরল্লোই, মফমদুদদি সিনেমাগী লাঙবসু লৈররোই। কা অসিদদি নুমিৎসু চঙলক্তে, মসি ঐ পামজদ্রে।"

- "য়ারে, ওক্লে, অঙাং!" মমাদুনা খামমরে, থোঙনাও ফৈরাদা তৈবা তল মচেৎতু তৈথোক্লদুনা। মখাদনা অঙাং ময়াম্না রবর বোল অমা থোল্লগা ক্রিকেট শান্নরি সড়ক্তা।

- "কা অসিদদি অঙ্গংবা কৌবদু হিপ্পি, ফল্লি, চৎলি, মদু ঐখক পামদ্রে।" অঙাংদুনা লাউরি।

- "য়ারে, বেবী! য়ারে, লোইশিল্লো। অমেন হায়রো।"

- "অমেন!" অঙাংদুসু অদুম হায়।

অদুদগী মানা হৌগৎপদু মমানা পাংঙরে। মখূত্তা মাগী টুপী পায়হল্লে। তাঞ্জাদুদা হোর্টেন্সিআসু মমায় মকশিন্না, মমিৎ ঙাঙনা মখোয়রোমদা থোক্লক্লে। অদুগা হায়ররে :

- "চৎলসি, পিপে! ইমাবু অমুক্তং চুপ্পল্লো।"

মাসু মাগী বেগতু টেবলদা থল্লে, অদুগা টেবল মখাদা লৈরিবা সুট কেস অদু লৌখৎলে। মমানা মচানুপাবু কোন্দুনা লৈখ্রে - মখূৎ অনীদুনা চেৎনা। মচাবু চুপ্পীরে, হৈয়াই অমুনবা মাল্লবা মচাগী মমায়দু হন্না হন্না। নান্থবীরে মখূৎনা মানা অয়ুক্তু ককপিখিবা মকোই য়াওদ্রবা মচাগী মমায়দু।

- "ঐখোয় চৎলসি।" হোর্টেন্সিআনা অমুকসু হায়রকই। বেগ, সুট কেস পায়খৎতুনা।

মচা নুপাদুসু মমাগী মখূৎতগী নান্থোক্লগা থোঙলোমদা খোঙ থাংবা হৌরে। মখূৎনা টুপী অদু হাইর-হাইরদুনা।

- "বেবী! টুপীদু উপশিল্লুদনা।" মনানা হায়রকই, অদুবু মমিৎতি কুপখি, মচানা মাগী শিন্থরিবা পিদু উদনবা।

অঙাংদুসু লৈশিল্লকই, টুপীদু থাঙ্গৎলি অদুগা মাগী থাউ তৈবীরবা মশমদুগী মথক্তা উপশিনখি। অদুবু টুপীদু পিকখ্রে অদুনা লাই ফদিবী মাল্লে। মদুনা মাগী চাদবা সুট অদুগী কোমতক তাবা খোঙ্গ্রাও ফুরিৎ, কোট অদুগী ওন্ন-তৈনবদা পিক্লে।

- "চাদ্রদি, মদু সিদা থনল্লোদা।" হোর্টেন্সিআনা হায়রকই।

পিপেনদি মচিন পেথোক্লকই য়ানীংদনা। মমানসু মচানুপীদা মুন্না য়েংলকই, মচিন্দু লেঙলকই। ঙাঙনীংবনা।

- "ফরেসে," হোর্টেন্সিআনা মখা তারকই, "নখূৎনা হেক পায়দুনা পুরো।"

অদুম্না পিপেদু মখূৎনা পায়দুনা থোঙ তান্না থোকখ্রে। মমাসু লৈহৌবা ঙমদদুনা ইন্নরকই, মনম পোল্লপ, অদুগা মপান্থোমদু মচাবু কোন্নিংনা তিংথোক্লে তৌরুবদু চিংশিনখি।

মতাংদুদা হোর্টেন্সিআনা মমাবু খাম্মে:

- "ইমা! মখোয়না ফজনা লোয়নবিরুরদৌনি, লৈহৌরো।"

- "ঐদি ইচাসে মখোয়না ফূবকা পামদেকো।"

- "ফূরোই, ফূরোই, ডাক্তরশিং লৈরিবনি। অদুগা চয়োল খুদিংগী ইমাবু ঐনা পুরগা উনহন্দৌরিনি।

মখোয়নিমক ঙাঙনরিবদু খোল নিক্তনবা কন্না হোৎননৈ।

- "লৈহৌরে ইমা, হিপ্পুরো।"

- "হোরেল মাবু থেন্মন্মু লৈহৌও য়ানবা, লাঙলুনু হায়য়ু, অদুগা অপিবদু হরাওনা চাও হায়রম্মু।"

- "হোয়, হোয়।"

হোর্টেন্সিআ থোঙ হাংদোকখ্রে, অদুগা পিপেদু কুমথফমদা লৈরব্রা য়েংখি। মহাক্তুদি হরাওনা মতিন শীৎতুনা শান্নরল্লি থাক থাক্কী ফৈরাদুদা অদুগা মতিন্দু য়েংদুনা লৈরল্লি।

- "ইমা! ঐ ঙন্না হল্লক্কনি।"

মমাদু লেপ্তুনা লৈহৌরে চৌক্রি ময়াদুদা, মচাবু অরোইবা ওইনা অমুক্তং য়েংহৌনবা হোৎনরি। অদুবু মচানুপীগী হকচাংনা থৎখ্রে।

- "হিপ্পুরো, ইমা!"

মমাদি খুল্লক্তে। মমাঙদা মখূৎ অনীদু লোন্নরদুনা চপ তিংনা লেপ্লি, অদুদগী মথবাক অমদি মাগী লেংবান্দু নিক্লকখি, অদুদগী মথমোয় নৌরক্তুনা সুৎ সুৎ কপহৌরে।

হোর্টেন্সিআদি থোঙদু থিংজিলল্লে, অদুগা থুনমক চৎখ্রে, কুমথখ্রে, পিপেগী মখূৎ পায়রদুনা। অদুগা থোকখ্রে, জুন থায়ায়গী লৈচিন পক্তবা অতিয়া মখাদুদা নুংশা ফূন্দুনা। মহাক্লা পাল্লকই, নোংলৈ-নুংশিৎ, নুমিৎপু রাহুনা উমখিবা নৎত্রগা উনখা তারকপা।■

*ইংরাজিদা : ভিক্টোরিয়া ওরটিজ*
*মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*
*(পুএর্টো রিকোগী ৱারীমচা)*

# রাগ দরবারী-২

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...) ড্রাইভরদুনা নোক্লদুনা হায়রকই, সোমনা অৱাংবা থাক্কী ৱা তাকপিরে।

হন্দক্তি গ্যার অদু টোপতা হাপ্লগা মহাক্কী খোঙ অদু দিগ্রী ৯০দা কোন্তক তৌনা থাঙ্গৎলগা গ্যার অদু ফৈগল মখাদা নমশিন্দুনা থমজিল্লি। ড্রাইভরগী মতৌদু উরগা *রংগনাথ*না ৱা অমা হায়গে খল্লি, লৈবাক্কী লৈঙাকপু চলাইনবা হোৎনবদা অদুগুম্বা পাম্বৈ মথৌ তাই হায়না। অদুবু মহাক্লা খন্থরগা মসি য়াম্না ৱাংবা ৱাহৈ ওইবা তারে খন্দুনা তুম্মিন্না ফমদুনা লৈ।

সোমদনা ড্রাইভরদুনা ফৈগলদা নমশিন্দুনা থমলম্বা গ্যার অদু হান্নগী মফমদা থমদুনা গ্যারদু লেঙদনবা শাংলবা চৈ অমা হাপচিল্লি অদুগা মতোন অমনা পেনেলগী মখাদা য়ৈশিন্দুনা নমশিল্লগা থমজিল্লি। ট্রক অদু য়াঙনা থৌগৎলকই। ট্রক অদু হেক উবগা সাইকল তোংদুনা চৎলম্বা, খোঙনা চৎলম্বা, রিক্সো কয়া অমা কিরদুনা ট্রক অদু য়ৌরক্ত্রিঙৈ হান্না থাপ্না-থাপ্না লম্বীগী মতাইদা চেন্থোকনরম্মী। য়াঙনা থৌরিবা ট্রক অদু উরগা মহাক্লা খল্লী, মাগী মীৎয়েংদা মসি ট্রক নত্তে, নুংশিৎকী মাঙ থারগা তমথিনা চাকপা মৈবুল অমগুম্বনি, বংগালগী খারীদগী হৌরকপা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎকুম্বনি, মীয়ামগী মথক্তা ৱাহৈ ৱাতা থীনা ঙাঙলগা ইরকপা চেগুম্বনি। *রংগনাথ*না খল্লী মীয়ামদা হান্না লাউথোক্লল্লবদি ফগদবনী নখোয়-নখোয়গী শা-ষনশিং অমদি অঙাংশিং য়ূমদা থোং লোনশিন্দুনা থম্বিয়ু, সিটিদগী হৌজিক-হৌজিক ট্রক অমা নান্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়না।

মতমদুদা ড্রাইভরদুনা হংলকই, 'তাকপিয়ু ওজা ! করম-করম পানবিরিবগে? মতম কুইরবগী তুংদা খুঙ্গংলোমদা চৎপিগদৌরিবরা?'

*রংগনাথ*না মাগী ফজবা, হৌনা লোনচৎতু থাগৎপা ওইনা হায়ফেৎ মোমোন নোক্লম্মী। ড্রাইভরদুনা অমুকসু হায়রকই : 'ওজা, হৌজিক করি-করি হোৎনবিরিবগে?'

'নাপী কন্না খোৎলি'

ড্রাইভরদু হায়ফেৎ কন্না নোক্লকই। খুদোংথিগদবা শম্নাদা লিৎলি চহি ১০ মুক শুরমগদৌবা ফি শেৎপোই-শেৎতবোই তৌবা অঙাং অমা ট্রকতুনা থোমগে তৌবদা চেন্থোকখিদুনা অঙাং অদু থোং মথক্তা চুম অকংবা তাবদৌনা তাশিল্লি। ড্রাইভরদু থৌ-ৱা শাদে, করিমত্তা নাচুংবিদে। এক্সিলরেটর কন্না নেৎশিল্লদুনা নোক্লা-নোক্লা হায়রকই, করি হায়বিখিবনো, ময়েক শেংনা হায়বিয়ু।

'নাপী কন্না খোৎলি হায়বা, মসিবু অংগ্রেজিদা রিসর্ছ তৌবা হায়রগা খঙনৈ। হৌখিবা চহিদা এম.এ লোয়রে, হন্দক চহিসিদা রিসর্ছ তৌবা হৌবনি।'

ড্রাইভরদুনা অলিফ-লৈলাগী ৱারী তাবদৌনা তারগা, নোকফেৎ তৌনা হায়রকই, 'ওজা, *শিবপালগঞ্জ*দা কৈদৌবা চৎপিগদৌরিবনো?'

'মফমদুদা ঐখোয়গী মামহল অমা লৈ, মা নাদুনা লৈ। নাবা হংবা ওইনা খুঙ্গংদুদা মতম খরা লৈরগা হকচাংসে খরা তেকখৎহনগে-ফগৎহনগে তৌবনি।'

হন্দক্তি ড্রাইভরদু ফনা কুইনা নোক্তুনা লৈ, অদুগা হায়রকই- 'ঐখোয় ওজাসি ৱারী শেম-শাদুনা ৱা ঙাঙবা ওন্থোক্লা হৈখ্রে।'

*রংগনাথ*না চিংনরপ তৌনা হংলকই, 'মসিগী ৱাফমসিদা করি-করম্বা ৱারী শাজিন্নবা মানবা য়াওবগেনে?'

ইচম চমজবা মাগী মতৌ উরগা মহাক মবুক নাবা মখৈ কন্না নোকই, হান্নগী মতৌগুম নোক্লদুনা হায়রকই, 'সোমগা চাংদমনিংঙাই লৈতে। ফরে মসিগী ৱাসি তোক্লসি। হায়বিয়ু, মিট্রুল সাহবতুবু কমদৌবিরিবগে? মী হাৎলুবগী জেলদা লৈবদো কমদৌখ্রবা জাৎনো?'

*রংগনাথ* হুমাং অনপ্পী কায়, খোঞ্জেল লুম্না হায়রকই, 'ঐদি কমাইনা খঙদোইনো, মিট্রুল কনানো হায়বা?'

ড্রাইভরগী নোক্লম্বদো ব্রেক ফাখ্রে। ট্রক য়াঙনা থৌরম্বদু খরা তপথরকই, মহাক্লা *রংগনাথ*তা মুন্না য়েংলদুনা হংলকই, 'সোম মিট্রুল সাহবপু তশেংনা খঙদে?'

'খঙদে।'

'জৈন সাহবপু?'

'খঙদে'

ড্রাইভরনা থোঙনাওগী মপান্দা তিন শিৎতোক্লদুনা মখোল শেংনা হংলকই, 'সোম সী আই দিদা থবক তৌবিদবরা?'

*রংগনাথ*না শাওরপ তৌনা হায়রকই, 'সী আই দি' মদু করম্বা মখলগী উচেক্কী মমিংনো?

ড্রাভইরদু নুংশা শ্বর শাংনা হোন্দোকই, মমাঙদা লৈরিবা লম্বীশিংদুদা কোয়না-কোয়না য়েংলকই, ষণগাড়ী খরা থৌরম্মী, করিগুম্বা তাঞ্জা নত্রগা খুদোংচাবা ফংলবদি খোঙ শাংনা তিংথোক্কদবনি হায়বা ঐখোয় লৈবাক্কী ওইনা মীয়াম্না য়াম্না পান্নবা থিওরিগী মতুংইন্না ষণগাড়ী থৌরিবশিংদু ষণগাড়ী মথক্তা হিপ্পুনা অমদি মমায় খুমজিন্দুনা তূল্লম্মী। ষণশিং অদু মশাগী হৈশিংবনা নত্তে, তোয়না-তোয়না চৎলকপগী মতেংনা ষণগাড়ী অদু চিংলগা চৎলিবনি। মসিসু মীয়াম্না য়াই হায়দুনা তৌনরিবনি, চৎনরিবনি। ওইরিবা ফীভমদু উরগা *রংগনাথ* করিমত্তা ঙাওনিংবগী থৌনা লৈত্রে। মহাক, সী আই দিগী ৱাফমদুদা শাওখ্রে। ড্রাইভরনা অহানবা ওইনা রবরগী হোরোন অদু খোংই, ঈশৈগী শুর হায়ফেৎ চঙবা, তাবদা কিবা ফাওবা, হায়ফেৎ হৌবা হোরোন অমগসু খোংগৎলকই, অদুবু চৎলল্লিবা গাড়ীশিংদু মাগী-মাগী লম্বীশিংদা অদুম চত্তুনা লৈ। ড্রাইভরদুনা ফনা য়াঙনা ট্রক অদু থৌই, লম্বীদা চৎলল্লিবা ষণগাড়ীশিংদু থোমগে তৌই, অদুবু গাড়ীশিংদুগী মনাক নক্লা হেক-হেক য়ৌরকপগা হায়ফেৎ-হায়ফেৎ ৱাখল তারকপা মাল্লি, মানা থৌরিবা গাড়ী অদু ট্রকনি, হেলিকোপ্তর নত্তে হায়বা। মহাক্লা খুদক্তা ব্রেক ফায়, পেনেলদা হাপচিল্লম্বা চৈ অদু ফৎ লাওনা শৎতোক্তুনা মখাদা থাদৈ, গ্যার অদু হোংলদুনা ষণগাড়ীশিংদু খেৎকে তৌনা থৌগৎলকই। মমাঙ খরা চৎলগা মহাক্লা *রংগনাথ*পু হায়ফেৎ তুকৎচবা মওংদা শাওরপ তৌনা হায়রকই, 'সী আই দি নত্রবদি কৈদৌবগী অদোম্না খূৎনা তুবা খাদিগী ফিনা হকচাংদু কুপলিবনো?'

*রংগনাথ* নাকচেক্লা য়ৈরক্লিবা ৱাতাশিংদুদা মহাক ৱাখল লৈতাদ্রে। অদুবু মহাক্লা ইচম-চম্বা থি-হুম্বগী খঙনিংবগী হংলকপা ৱাহংনি খন্দুনা ইচম-চম্না পাউখুম পীরকই, 'খূৎনা তুবা খাদিগী ফিশিংদি মী লোয়না শেৎনৈনা।'

...(মথং-মথং)

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।